Roll No. | | | | | | | |

**Series RKM** **Code No. 16**

- Please check that this question paper contains 5 printed pages.
- Code number given on the right hand side of the question paper should be written on the title page of the answer-book by the candidate.
- Please check that this question paper contains 19 questions.
- Please write down the serial number of the question before attempting it.

# MANIPURI
# মণিপুরী

*Time allowed : 3 hours* *Maximum Marks : 100*
*মতম : পুং 3* *সর্বমোট অঙ্ক : 100*

## সেক্সন -'ক' (গ্রামার)

1. মখাগী ৱাহেপরেংশিং অসিগী অরানবা চুমথোকউ : 1×4=4

(ক) কৈদি ওৎলরবা নৎত্রগা লামদ্রবদি হিংসা তৌদে।

(খ) তৌবিমল খঙদবা শাদি খম্বা ঐদি নত্তে ।

(গ) ঐঙোন্দগীদি নহাক্কী লুপাগী মশিংনা ৱাৎলি।

(ঘ) নিংথৌনা ঐবু মনা পীরম্মই।

2. (ক) ভাৱল অনীগা কোন্সনন্ট অনীগা য়াওবা ৱাহে অনী ইয়ু। 2

(খ) মখাগী ৱাহেশিং অসিদা য়াওবা ভাৱলমখৈ খন্দোকউ : 2

ইমাবোক; একাগাড়ী।

3. মখাগী ৱাহৈ-চবুনশিং অসি হাপ্তুনা চৎনবী অর্থ খঙহনবা ঙম্বা ৱাহৈপরেং শেম্মু : 1×4=4

(ক) চৈ কাবা।

(খ) মচীন তোঙবা।

(গ) মকা ফোংবা।

(ঘ) নীংজিং মাংজিংনবা।

4. ব্রেকেটতা তাকপগী মতুংইন্না নৌহৌনা ইথোকউ : 1×3=3

(ক) মহাক্না তোম্বদা হায়, "চাউবা ফওবা অঙাংনি।" (কোইনা পাউ তম্বদা ওন্থোকউ)

(খ) মহাক ঙসি চৎলম্লগনি। (অহংবা খঙনবা ৱাহৈপরেংদা ওন্থোকউ)

(গ) ঐ নহাকপুদি খঙই অদুগা নয়াম্ববুদি খঙদে। (অচম্বা ৱাহৈপরেং অনী থোকউ)

## সেক্সন্ - 'খ' (ইবা)

5. অমগী মরমদা রচনা ইয়ু : (ৱাহৈ ১৫০-১৬০গী মনুংদা) 8

(ক) পুন্সিদা নঙনা পামজবা শিনফম।

(খ) পাউজেল চে।

(গ) হকচাং ফবা লন্নি।

6. নহাক্কী মিং সুনিতা কৌই হায়না লৌ। নিউ-দিল্লীগী সেন্ট্রেল স্কুলদা তম্লিবী নহাক্কী মরূপ সোনালিকাদা হৌজিক্কী মতমদা তোয়না থোক্লিবা নেশনেল হায়ৱে ৱেলোকেদ অমদি মণিপুর বন্দগী মরমদা চিঠি অমা ইয়ু। 6

7. 'উহৈ য়াম্না পানবা উদি মরু লুকই' হায়বা পাউরৌ অসিগী অর্থ খুদমগা লোয়ননা শন্দোক্না তাকউ। 4

## সেক্সন - 'গ' (পাবা)

8. মখাগী ৱারেং-মতেক অসি পারগা হংলিবা ৱাহংশিংগী পাউখুম য়াম্না তেন্না পীয়ু :

পুন্সিগী হিংবগী লানফমদা শু-নোম্বা হায়বসিসু য়াম্নমক তঙাইফদবা অমনি। ঐখোয়না শু-নোম্লিবা অদুক্কী মতিক মহৈসু অদুম ফংলিবনি। মতম অমদা ঐখোয়গী লৈবাক মণিপুরদা তোঙান-তোঙানবা শিনফম কয়াদা অখাকপা লৈতনা শু-নোম্বা চৎনরমই। লৌউ-শিংউবা, খুৎশা হৈবা অমদি ফিশা-লোনশা নচিংবগী শিন্থা অসি মাগী মাগী য়ুম্নাক শাগেগী মতুংইন্না পাঙথোক্নরমই। মতমদুদা লৈবাক অসিদা থোকচবা পোৎথোক্না ইরমদম অসিদা শীজিন্নবদা লেমপানা কোন্নবদা নওনা মপান লৈবানুসু থাদোক্তুনা মপুংওইবা শেন্দান লম্বী ওইরমই। অদুবু হৌজিক্তি মসি লৈবাক অসিদা লৈতবগুম তৌরে। মসিমক্না ঐখোয়না তাঞ্জরুবা অচৌবা শেনফম মপাল লৈবাক্তা চৎখিনবগী মরম ওইরি। ঐখোয়না মীপান তাংদনা হিংগে হায়রবদি অসিগুম্বা শুবা-নোম্বগী চৎনবী অসি অমুকহন্না হিংগৎহনবা তাই।

(ক) পুন্সিগী হিংনবগী লানফমদা য়াম্না মরুওইরিবসি করিনো ? 1

(খ) ঐখোয়গী মীশিংনা করম্বা মওংদা শু-নোম্বগী শিন্হা পাঙথোক্লম্বগে ? 2

(গ) করি মরমদগী ঐখোয়না তাঞ্জরুবা অচৌবা শেনফম মপাল লৈবাক্তা চৎখিবগে ? 2

(ঘ) মীপাল তাংদনা হিংননবা ঐখোয়না করি পাম্বে তৌবা তাই ? 1

(ঙ) মথক্কী ৱারেং মতেক অসিগী করম্বা ফ্রেজনা 'মরাং কায়বা' হায়বা অর্থ ফোংদোকপগে ? 1

**9.** মখাগী ৱারেং-মতেক অসি পারগা হংলিবা ৱাহংশিংগী পাউখুম য়াম্না তেন্না পীয়ু :

কবিদি কলাকারনি অমসুং কলাকার ওইবনা অশেংবা মরমচৎ ওইবা তাবনি । অদুবু কলাকার অমা ওইবগী হৌনবী ফজবগী পূজারী ওইদুনা সংসার অমসুং হিংবদা মায়োক্নরিবা সমস্যা কয়াবু করিমত্তা থৌশাদনা মালংদা ফুরা শাদুনা লৈগদবা নত্তে । কবিসু মতম মতমগী ওইনা থোক্লকপা ইতিহাসকী অচৌবা থৌদোক কয়াদা, পুন্সিগী মরুওইবা থৌদোক কয়াদা চপ-চানা শরুক য়াগদবনি; য়াম্না বুদ্ধি থৌবা অমসুং উগন-তাগনবা কবিশিংনা মতমচানা চোংথোক্লক্তুনা সমাজগী সমস্যা কয়াদা তুমিন্না, করিগুম্বদা ফোংনা মখোয়না লমজিংই, লমতাকই অমসুং সমাজগী মায়ওন চুম্মী ।

(ক) কবি অমদা মহৌশা ওইনা চেনবা থোইদোকপা মগুণশিং করিনো ? 1

(খ) কবিনা সমাজদা করম করম্বা থৌদাংশিং পাঙথোকপগে ? 2

(গ) মথক্কী ৱারেং-মতেক অসিগী করম্বা ৱাহৈশিংনা 'ওইরোইদবদা খনবা' হায়বা অর্থ ফোংদোকপগে ? 1

(ঘ) 'থেংনদুনা লৈবা' হায়বগা মথক্কী ৱারেং-মতেক অসিগী করম্বা ৱাহৈগা অর্থ মান্নবগে ? 1

**10.** মখাদা পীরিবা ৱাহংশিংগী পাউখুম চাউরাক্না ৱাহৈপরেং ৫/৬কী মনুংদা পীয়ু : 3×4=12

(ক) মণিপুরদা নোংজুগী চাং হোংলক্লিবগী মরম তাকউ ।

(খ) মণিপুরদা ঈচাউ তোয়না থোক্লিবসিগী মরম খরা পীয়ু ।

(গ) মৈতৈগী ওইবা ইপা-ইপু হাক্তক্তগী লৈরক্লবা হৌন-লোনচৎ খরদং ইয়ু ।

(ঘ) ৱাহৈ খোনফম নুংশিবনা মীগী থম্মোই শুমহৎপা ঙমই হায়বসি বিবেকানন্দগী পুন্সিদা থোকখিবা থৌদোক অমদগী খুদম পীদুনা তাকউ ।

11. মখাগী ৱাহংশিংগী পাউখুম ৱাহৈপরেং অমমমদা পীয়ু :

(ক) পৃথিবী পুম্বনা খঙনরবা মণিপুরদগী হৌদোকখিবা মশান্না অমগী মমিং ইয়ু। 1

(খ) পৃথিবী শীনবা থুংনা খঙনরবা মণিপুরী রাসলীলা অসি কনানা হৌদোক্লম্বগে ? 1

(গ) চার্লস দারৱীনগী 'নেচরেল সেলেক্সন থিওরি'না করি তাকপগে ? 1

## সেক্সন - 'ঘ' (সাহিত্য)

12. য়াওফম অমদি মরী-মখোঙ উৎতুনা শন্দোক্না তাকউ : 6

(ক) লাইনিংবা মীগীদমক্তদি অচিকপা মফম থিনরিবনি। অদুবু অসিগুম্বা অচিকপা অসি মঙোন্দদি ওলাং-ওন শাউনবগুম থোকখ্রে।

**নৎত্রগা**

(খ) খরা চৎথরগা নাউরেমগী হিদেন মপা অদুদা লাইবক চুম্মুরে। ঈনদা ঙৌরোক ঙৌনা ফনা নীংথিনা চাউরবা ইলিশা অমা ফ্রংফ্রং চোংনা লক্লে। মপা মচাগী মায়থোং অনীদো খংঙান ঙান্তোরকপগুম তৌই।

13. পাউখুম তেন্না পীয়ু :

(ক) চোংনিকিননা খুন থাদোক্তুনা চৎলমদাইদা মপুরোইবগী মোংফম মনাক্তা চঙশিল্লক্তুনা করি হায়না শোল্লম্বগে ? 2

(খ) 'ইলিশা অমগী মহাও' হায়বা বারীমচাগী মিংথোল অসিদা তারিবা করেম্নবগী মমি অদু তাকউ। 2

14. য়াওফম অমদি মরী-মখোঙ উৎতুনা শন্দোক্না তাকউ : 6

(ক) ফুদোংলে ননাইগী অমোৎপা পুন্সি
হন্না হন্না ইক্তুনা অৱাবা খাম্বীদা;
খঙজরে ইবুংঙো ননাইবু চানবিবা
শেম্বিয়ু নহাক্কী ননীংদু থুংননবা।

**নৎত্রগা**

(খ) ওঃ চেঙ তাঙবা কাঙবু ফি তাঙবা কাঙবু
চিনি লোৎপা থুম লোৎপা আলু লোৎপা
লোইনা থোরকউ নখোয়সু ঙসিদি
ফজবা ফিরোল শেৎলগা
চীং কাসি ঙসিদি।

15. (ক) 'অনৌবা থুংলবা জীব' শৈরেংগী নুংগী ওইবা ভাব শন্দোক্না তাকউ। 5

(খ) 'লমগী চেক্লা অমদা' শৈরেংগী ৱা-মচং ইয়ু। 5

16. (ক) করম্বা মীওইগা মরূপ শান্নদবা ফবগে ? 5

**নত্ত্রগা**

(খ) চিট্টাগোং বন্দর উরুবদা ইরাবতকী থম্মোইদা মমা লৈবাক মণিপুরগা মরী লৈনবা করম্বা ৱাখল ফাওরকখিবগে হায়বদু নশাগী লোন্দা ইয়ু।

17. ৱাহৈপরেং অমমমদা খুম্মু :

(ক) 'হান্না য়েনৌ কোন্না মরূপ শান্নৌ' হায়বা পাউরৌ অসিগী অর্থ করিনো ? 1

(খ) পুলিশনা যাত্রি অতৈগী পোৎচৈদি ফাক্কুনা য়েংলগা অইব (ইরাবত) গীনা য়েংদ্রিবা করিগীনো ? 1

18. (ক) দ্রোনচার্য্যনা শীনবা খূৎলাই চাংয়েংদা কর্ণবু করম্না ইকায়বা পীখিবগে ? 5

**নত্ত্রগা**

(খ) কুন্তীনা কর্ণদা করম্না মহাক মমানি হায়না তাকখিবগে ?

19. 'পঞ্চভুত' হায়বসিগী অর্থ ইয়ু। 2